আই-লীগ সেকেন্দ দিভিজন ঃ

# নেরোকা এফ সীনা কেনক্রে মুম্বাইবু ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ :

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা সেকেন্দ দিভিজন লীগকী টিম তরুক্না শরুক য়াদুনা চংখরিবা সেকেন্দ দিভিজন লীগ ফাইনেল রাউন্দগী শরুক অমা ওইনা ঙসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী মেইন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা নেরোকা এফ সীগী হোম মেচতা কেনক্রে মুম্বাইবু ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে।

সেকেন্দ দিভিজন লীগ মেচ অসি হৌখিবা এপ্রিল ৭ তগী চংথবা হৌরকখিবনি। তোঙান তোঙানবা হোম ভেন্যু তরুক্তা টিম তরুক্না হোম এন্দ অৱে বেসিসতা শান্নরি।

মায় পাকখ্রবা নেরোকাগী গোলশিং অদু মেচকী মিনিট ৩০ চংপা মতমদা নাইজেরিয়াগী ফোরৱার্দ ফেলিক্স ওদিলি চিদিনা গোল অমা অমসুং ফোরৱার্দ মালেমঙানবা মীতৈনা মেচকী মিনিট ৩২ চংপা মতমদা গোল অমা চনখি।

মেচ মায় পাকখিবা অসিনা নেরোকানা লীগ অসিদা ফংখিবা অপূনবা মেচ মঙাদা মেচ অহুমনা মায় পাকখিবা, মেচ অনীনা দ্রো চংতুনা পোইন্ট ১১ ফংলগা টেবলগী খ্বাইগী মকোক্তা মাঙজিল থানা চংলি।

| Team | MP | W | D | L | F | A | D | P |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| NEROCA | 5 | 3 | 2 | 0 | 9 | 1 | +8 | 11 |
| Southern Samity | 4 | 2 | 1 | 1 | 3 | 3 | +0 | 7 |
| Fateh Hyderabad | 4 | 1 | 2 | 1 | 1 | 1 | +0 | 5 |
| Kenkre | 5 | 1 | 2 | 2 | 5 | 6 | -1 | 5 |
| Delhi United | 4 | 1 | 1 | 2 | 3 | 8 | -5 | 4 |
| Lonestar Kashmir | 4 | 0 | 2 | 2 | 1 | 3 | -2 | 2 |

সাউর্দন সমিটিনা মেচ মরি শান্নখিবদা মেচ অনী মায় পাকপা, মেচ অমনা দ্রো চংপা অদুগা মেচ অমনা মায়থীদুনা অপূনবা পোইন্ট তরেৎ ফংলগা অনীশুবা মফমদা লৈরি।

ফটেহ হায়দ্রবাদনা মেচ মরি শান্নখিবদা মেচ অমনা মায় পাকপা, মেচ অনীনা দ্রো চংপা অমদি মেচ অমনা মায়থীখিদুনা অপূনবা পোইন্ট মঙা ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈখ্রে।

কেনক্রে মুম্বাইনা মেচ মঙা শান্নখিবদা মেচ অমা মায় পাকপা, মেচ অনীনা দ্রো চংপা অমদি মেচ অনীনা মায়থীদুনা অপূনবা পোইন্ট মঙা ফংদুনা মরিশুবা মফমদা লৈরি।

দেল্লি য়ুনাইটেদনা মেচ মরি শান্নখিবদা মেচ অমা মায় পাকপা, মেচ অমনা দ্রো চংপা অমদি মেচ অনীনা মায়থীদুনা অপূনবা পোইন্ট মরি ফংলগা মঙাশুবা মফমদা লৈরি। লোন ষ্টার কাশ্মীরনা মেচ মরি শান্নখিবদা মেচ অনী দ্রো চংখিবা, মেচ অনীনা মায়থীদুনা পোইন্ট অনীখক্তমক ফংলগা টেবলগী খ্বাইগী মনিংদা লৈরি।

মেচ অদুদা নেরোকা অমদি কেনক্রে মুম্বাইনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। টিম অমনা অমগী মায়কৈদা হেনজিন্নবা য়াদনা মাগী মাগী মায়োক্লবা সাইদশিংদা এটেকশিং তৌনদুনা গোল চন্ননবা হোৎনখি।

মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা নেরোকানা মায়োক্লখিবা টিমগী মায়োক্তা অকনবা এটেকশিং তৌদুনা গোল এটেম্পশিং তৌখি। হাফ অসিদা নেরোকানা বোল পায়বগী চাং হেনখিবনা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংবা ঙমখি।

নেরোকানা চঙশিনখিবা অথুবা শাফু অমদা ফোৱার্দ সুভাস সিংহনা ওইরোম থংবা সাইদতগী পীরকখিবা ফজরবা পাস অমদা টিমগী ষ্ট্রাইকর নাইজেরিয়াগী ফেলিক্স ওদিলি চিদিনা ওক্লগা কেনক্রেগী গোল পোষ্ট মনুংদা নিংথিনা কাওশিনখিদুনা গোল ওন্থোক্তুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

নেরোকানা হনবা লৈতনা মায়োক্লখিবা টিমগী মায়কৈদা অমুসু হন্না চঙশিনখিবা শাফু অমদা প্রিতম্না কেনক্রেগী দিফেন্দরশিংবু লান্থোক্লগা পুশিনখিবা বোল অমা মালেমঙানবনা ওক্লগা কেনক্রেগী কিপর অরুপ দেবনাথপু মায়থীবা পীরম্লগা কাওশিনখিদুনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা অমুকসু হন্না মাঙজিল থাখি। অহানবা হাফ ফাওবদা কেনক্রে মুম্বাইনা গোল শোখুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা নেরোকাদি হনবা লৈতনা মায়োক্লখিবা সাইদতা অহেনবা গোলগীদমক চঙশিনখি। কেনক্রেসু কাউন্টর এটেকশিং তৌদুনা নেরোকাগী সাইদতা ফুজিনখি। মখোয়না চঙশিনখিবা এটেক্তা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখ্রবসু নেরোকাগী কিপর অমদি টিম কেপ্তেন ললিৎ থাপানা নিংথিনা সেফ তৌখিদুনা গোল ওন্থোকহনখিদে।

নেরোকানা গোল এটেম্প তৌদুনা কাওশিনখিবা বোল অমা নেট মনুংদা চঙখিবদগী গোল ওইগদবা অদু ওফ সাইদতা লৈরম্বদগী রেফ্রিনা গোল পীখিদে। মখোয়না হনবা লৈতনা কেনক্রেগী মায়োক্তা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা অহেনবা গোল চনবা ঙমদনা লৈখি।

কেনক্রেসু নেরোকাগী মায়োক্তা অকনবা এটেক তৌদুনা চঙশিনখ্রবসু গোল চনবদি ঙমখিদে। মখোয়সু হনবা লৈতনা এটেকশিং তৌখি। অদুবু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা গোল চনবা ঙমখিদবদগী নেরোকাগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

মেচ অদুদা নেরোকাগী ধনঞ্জয়না মেচকী মিনিট ৫৪ অমদি মালেমঙানবনা মেচকী মিনিট ৬৯ চংপা মতমদা অনস্পোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক রেফ্রিনা কোসন পীখি। কেনক্রেগী প্লেয়র কৈটা বৌবাকরদা মেচকী মিনিট ৬০ চংপা মতমদা রেফ্রিনা কোসন পীখি।

সঙাই ত্রোফি ভেটরান'স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ

# টি আর ভি এস এ মালোম মায় পাকখ্রে, এন সী দি এ খোঙহাম্পাৎ অমদি আই ভি এফ এ কাঞ্চিপুর দ্রো চংখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ :

ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা পাৎশোইগী পময়াল গ্রাউন্দদা চংখরিবা অহানবা সঙাই ত্রোফি ভেটরান'স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ দিগী অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা আই ভি এফ এ কাঞ্চিপুর অমদি এন সী দি এ খোঙহাম্পাৎনা ২-২ দা দ্রো চংখ্রে অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা টি আর ভি এস এ মালোম্না ভি বি এফ এ এম কৈশাম্পাৎপু ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা আই ভি এফ এ অমদি এন সী দি এ অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। এন সী দি এনা মেচ হেক হৌখিবগা ইকান কান্নদনা তৌখিবা এটেক অমদা কে ঐচ টিকেন্দ্রজিৎনা মেচকী মিনিট ৪ চংপা মতমদা গোল অমা চনশিন্দুনা য়াম্না ঙন্না ১-০ দা মাঙজিল থানা চংখি।

আই ভি এফ এসু গোল হন্দোক্ননবগীদমক মায়োক্লখিবা টিমগী মায়কৈদা কাউন্টর এটেক তৌদুনা চঙশিনখি। টিম অমনা অমগী মফমদা হেনজিন্নবা য়াদনা তৌনখিবা এটেক্তা খুদোংচাবা লৌননবগীদমক অহোবশিং থিনখি।

আই ভি এফ এনা তৌখিবা অথুবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৩০ চংপা মতমদা জয়েন্তনা গোল অমা চনশিন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌখিবগা লোয়ননা ১-১ দা ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদা চাং মান্ননা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীনা মমাঙগী হাফতগী হেন্না শাফু কন্না শান্নরকখি। আই ভি এফ এনা মায়োক্লখিবা এন সী দি এগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৩২ চংপা মতমদা জোফিনা গোল অমা চনশিন্দুনা ২-১ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

এন সী দি এসু হনবা লৈতনা আই ভি এফ এগী মায়কৈদা এটেকশিং তৌখি। মখোয়না তৌখিবা অথুবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৩৬ চংপা মতমদা ইনাওচানা গোল অমা চনশিন্দুনা ২-২ দা চাং মান্ননা চংখিবগা লোয়ননা দ্রো চংখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা টি আর ভি এস এ অমদি ভি বি এফ এ এম অনীনা শান্নখি। টি আর ভি এস এনা মেচকী অয়াম্বা মতমদা দোমিনেট তৌনা চংখি। মখোয়না মায়োক্লখিবা ভি বি এফ এ এমগী সাইদতা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ২৯ চংপা মতমদা রঞ্জিৎনা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

ভি বি এফ এ এমসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক টি আর ভি এস এগী মায়কৈদা এটেকশিং তৌখি অদুবু ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদা গোল চনবা ঙমখিদবদগী শোখুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা টি আর ভি এস এনা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৩২ চংপা মতমদা সরতনা গোল অমা চনশিন্দুনা ২-০ দা লৈখি। টি আর ভি এস এনা গোল চনখিবদগী তপথদ্রবা ভি দি এফ এ এমনা তৌখিবা কাউন্টর এটেক অমদা পালমৈ লাংপাজাওনা মেচকী মিনিট ৩৬ চংপা মতমদা গোল অমা চন্দুনা ১-২ দা লৈখি।

টি আর ভি এস এদি হনবা লৈতনা এটেকশিং তৌখিদুনা মেচকী মিনিট ৩৯ চংপা মতমদা জয়েন্তনা গোল অমা চনশিনখিদুনা ভি বি এফ এ এমবু মায়থীবা পীখি।




HL-B/3812/16/4-15 june


# দিনেসনা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মিষ্টর শাফবা তাখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ :

দিষ্ট্রিক্ট অমেচর বোদি বিল্ডরস এসোসিএশন বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা ঙসি ওইনাম মমাঙ লৈকায় লাইফম লম্পাক্তা অনীশুবা মেন'স ফিটনেস ২০১৭ অমসুং মঙাশুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল শাফবা কন্টেষ্ট পাঙথোকখিবগা লোয়ননা এস বি বি এফ ক্বাকৈথেলগী লৈতাম্থেম দিনেস সিংহনা মঙাশুবা মিষ্টর শাফবা ২০১৭ তাখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট লেভেল শাফবা কন্টেষ্ট অদুদা এস বি বি এফ ক্বাকৈথেলগী লৈতাম্থেম দিনেস সিংহনা অহানবা পোজিসন ফংদুনা মিষ্টর শাফবা তাখি। নেচরেল ফিটনেস সেন্তরগী হিজম মালেমঙানবনা অনীশুবা পোজিসন অমসুং বিষ্ণুপুর য়ুনাইটেদ জিমগী থোকচোম জাস্পরনা অহুমশুবা তাখি।


সুবোল ফিটনেস জিমগী নোংথোম্বম অরুন্না মরিশুবা, জিম অসিমক্কী খাইদেম বিজ্ঞানন্দনা মঙাশুবা, বিষ্ণুপুর য়ুনাইটেদ জিমগী থৌদাম গুলিটনা তরুকশুবা, সুবোল ফিটনেস জিমগী হুইদ্রোম সন্তোস সিংহনা তরেৎশুবা অমসুং য়ুনাইটেদ জিম বিষ্ণুপুরগী লৈহাওথাবম গীৎচন্দ্র শর্ম্মানা নিপানশুবা পোজিসন তাখি।

অনীশুবা মেন ফিটনেসকীদা য়ু পি জি পেবম মেঘজিৎনা অহানবা, জে বি সীগী বিরসিল য়াংলেম্না অনীশুবা, কে বি বিগী মরাদোনানা অহুমশুবা, য়ু এফ সীগী মঙাল অরাম্বম্না মরিশুবা, দ জিমগী ৱাংখেম মহেশনা মঙাশুবা, সুবোল ফিটনেসকী নোংথোম্বম অরুননা তরুকশুবা, এস বি বি এফকী গাইজেনলোং পালমৈনা তরেৎশুবা, প্রভাবতি ফিটনেস সেন্তরগী থাংজম দার্ৱিন্না নিপানশুবা, আনন্দ মেমোরিএল জিমগী চবুংবম গোঞ্জালিশনা মাপনশুবা অমসুং কে এফ সী কাঞ্চিপুরগী এম দি নৱাজ সরিফনা তরাশুবা পোজিসন তাখি।

HL-B/3831/25/04-25/5








Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com